# ট্রিপল টলাক্কী মতাংদা কংগ্রেসনা মতৌ মালহনবগী থৌশিল চথখিবা অদু ময়েক শেংনা ফোঙদোরক্লি



***ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ৩ ঃ***
রাজ্য সভাদা ঙসি ট্রিপল টলাক্কী বিল পুথোকপদা ওপোজিসন পার্টিনা অকনবা মওংদা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রে। ওপোজিসন পার্টিনা রাজ্য সভা অমসুং লোক সভা অনীমক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপগা লোয়নদা বিল অদু পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিদা রিব্যু তৌনবা থাজবগী মায়োক্তা লেপলকখি।

লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি না হাউস অনী অদুদা ওইরক্লিবা ফিভমশিং অদু য়েংলগা য়ৈথোকখি। লোয়নদা ওপোজিসন পার্টিনা সেলেক্ট কম্মিটিদা বিল অদু থাদখিনবা অকনবা ৱাফম পুখৎলকখি।

ইরাই নুমিত্তা লোয়রগদবা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম অদুদা বিল অদু পাস তৌবা ঙমদবগী ফিভম অমদা লৈরে। লৈঙাক্লা হায়, বিল অদু পাস তৌননবা হোৎনবগী মতাংদা হাউসতা দিবেট তৌনবা য়াই। দিবেট তৌনরবা মতুং বিল অদুগী অফ-ফত্ত লেপ্পা য়াগনি। অদুম ওইনমক কংগ্রেস পার্টিনা মায়কৈ অনী লোংবা থৌশিল চথরি।

লোক সভাদা পাস তৌখ্রবা বিল অদু রাজ্য সভাদা পাস তৌনবা হোৎনবা মতমদা অয়েৎ অপন কয়া থোক্লি। ট্রিপল টলাক্কী বিল অদুনা টলাক টলাক টলাক অহুল্লক হায়দুনা নুপী অমবু খাইনবা য়াবগী খুদোংচাবা ফংলিবা অমদি নীয়ম চুমদনা ট্রিপল টলাক চথনবা হোৎনরিবা মীওইশিং চহী অহুম জেলদা লৈবা অমসুং ফাইন তৌবা য়াবগী ৱাফম বিল অদুদা য়াওরি। বিল অদু লোক সভাদা পাস তৌখ্রবনি। লোক সভাদা বি জে পি না মেজোরিটি ওইরি। অদুম ওইনমক রাজ্য সভাদদি বি জে পি মাইনোরিটি ওইদুনা লৈরিবনি।

বিল অদু কংগ্রেস পার্টিনা শৌগৎখিবগী মতুং ইন্না রাজ্য সভাদসু পাস তৌবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা থমখিবনি। ট্রিপল টলাক্কী ৱাফম হৌজিকসু খন্ননিঙাই ওইবা ৱাফম অমা ওইরি। অদুম ওইনমক কংগ্রেস পার্টিনা ৱাফম অদু খন্ননবগী তাঞ্জা পীরি। লোয়নদা বিল অদু পন্থুদুনা লৈহন্নবা হোৎনরি। কংগ্রেস পার্টিগী দবল স্টেন্দর ওইবা ফিরেপ অদু ময়েক শেংনা উৎথোরক্লে হায়না লো মিনিষ্টর রবি সঙ্কর প্রসাদনা ফোঙদোরক্লি।

লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়, ট্রিপল টলাক বিল অদু নুপীশিংগী তৌবা ঙম্বা হায়বসিদা য়ূম্ফম ওইবনি। অদুম ওইনমক ঙসিদি কংগ্রেস পার্টিনা বিল অদু অমুক হন্না সেলেক্ট কম্মিটিদা থাদখিনবা ৱাফম পুখৎলকখ্রে।

বিল অদু রাজ্য সভাদা পুথোকখিবা মতুং ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা হীরম অদুগী মতাংদা খন্ননবা ৱাফম ফোঙদোকখি। কংগ্রেসকী লুচিংবা অনন্দ শর্ম্মনা হায়, পার্লিয়ামেন্ট হায়বসি রবর ষ্টাম অমা নত্তে হায়খি।

বিল অদু পাস তৌননবা হোৎনরকপদা কংগ্রেস পার্টিদা লেফ্ট অমসুং মমতা বেনর্জিগী ট্রিনামুন কংগ্রেসনা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখি। মদুতা নত্তনা এ আই এ দি এম কে অমসুং বিজু জনতা দন্নসু কংগ্রেস পার্টিবু শৌগৎলকখিবনা বিল অদু পাস তৌবা ঙমখিদে হায়রি।

সিব সেনা অমসুং টি দি পি না বিল অদু সেলেক্ট কম্মিটিদা থাদনবা ৱাফমদা শৌগৎখি। বিল অদু লোক সভাদা মমাঙ চয়োলদা পাস তৌখ্রবা মতুং রাজ্য সভাদা পুখৎলকখিবনি। লোক সভা অদুদি কংগ্রেস পার্টিনা বিল অদু শৌগৎখি। অদুম ওইনমক রাজ্য সভাদা পুথোরকপা মতমদদি কংগ্রেস পার্টিনা বিল অদু সেলেক্ট কম্মিটিদা থাদনবা ৱাফম পুথোরকখি। কংগ্রেস পার্টিগী ফিরেপ অদুদা তোঙান তোঙানবা পার্টিশিংনসু শৌগৎলকখিবনা মরম ওইরগা বিল অদু পাস তৌবা ঙমখিদে।

ঙসি লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী মীফম অনীমক্তা ওপোজিসন পার্টিশিংনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখিবনা মরম ওইরগা মীফম চথবা য়াদবদগী কয়ারক হন্না য়ৈথোকখি হায়রি।

## অসাম রাইফলসনা টুয়েলসাংদগী খূৎলাই ললোনবা অমা ফারে

***গুৱাহাটি, জনুৱারী ৩ ঃ***
নাগালেন্দগী টুয়েলসাংদগী অসাম রাইফলসনা খূৎলাই ললোনবা মীওই অমা ফারে হায়না ফোঙদোরক্লি। ইন্টিলিজেন্সকী চপ চাবা পাউ অমা ফংলবা মতুং আই জি এ আর (নোর্থ) কী টুয়েলসাংদা লৈবা অসাম রাইফলসকী লান্মীশিংনা পুলিসকা লোয়নদা ইন্দ্রপুরি খুঙ্গংদা ওপরেসন চথবদা খূৎলাই ললোনবনি হায়বা মীওই অদু ফাবা ঙমখিবনি।

কে হাওথিউ খাইমনিৱুগল কৌবা মীওই অমা ফাগৎপা ঙমখি। মীওই অদুদগী .২২ গী মেগজিন য়াওবা পিষ্টোন অমা, কাপ্পা য়ারিবা নোমৈ মরু অমসুং শেল ওইনা লুপা ১৪৪০ ফাগৎপা ঙল্লে হায়রি।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না মীওই অদুনা খূৎলাই অদু পুদুনা লাকপদগী ফাখিবনি। লোয়নদা খূৎলাই অদু টুয়েলসাং পুলিস ষ্টেসন্দা শিন্নখ্রে হায়রি।

## যুনিয়ন কেভিনেটনা হিমাচল প্রদেশতা এইমস লিংখৎনবা ৱারেপ লৌখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ৩ ঃ***
যুনিয়ন কেভিনেটনা ঙসি হিমাচল প্রদেশকী বিলাসপুরদা ওল ইন্দিয়া ইষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস) লিংখৎনবা ৱারেপ লৌখ্রে। প্রধান মন্ত্রি স্বাথ্যা সুরকসা য়োজনাগী মখাদা লুপা ক্রোর ১,৩৫০ চঙনা ইষ্টিট্যুট অদু শেমগৎকদবনি হায়রি।

ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমগী মতুং ইন্না ফমুং ৭৫০ লৈগদবা এইমস কী মেদিকেল কলেজ অদু লিংখৎলগনি। কলেজ অদুদা মহৈ তম্নবগীদমক সিট ১০০ লৈগনি। লোয়নদা নর্সিং কলেজগীদমক সিট ৬০ থল্লি হায়রি।

এইমস কী থাক্তা লৈগদবা হোস্পিটাল অদুদা স্পিসিয়েলিটি অমসুং সুপর স্পিসিয়েলিটি ২০ লৈগনি। মদুগী মনুংদা ১৫ দি ওপরেসন তৌননবগী খুদোংচাবা লৈগনি। লাক্কদৌরিবা থা ৪৮ গী মনুংদা হোস্পিটাল অদু শেমগৎ শাগৎপা লোয়শিন্নবগী পান্দম থল্লি।

ন্যু দিল্লিদা লৈরিবা এইমস হোস্পিটালদা ফংলিবা খুদোংচাবা অদুগা মান্ননা নৌনা হাংদোক্কদৌরিবা হিমাচল প্রদেশকী এইমসতসু ফংহনগনি। মদুতা নত্তনা হোস্পিটাল অদুগী মনুংদা আয়ুস হায়না খঙনবা মমাঙঙৈদগী চৎনরক্লবা লায়েং পথাপকী মখাদা মীওই কয়া লায়েংনবগীদমক ফমুং ৩০ লৈগনি। অনৌবা এইমস হোস্পিটাল অদুদা অনাবশিংবু লায়েংনবগীদমক মশীং য়াম্লবা ডাক্তর অমসুং হেল্থ ৱার্করশিং মথৌ তৌগনি। নেসনেল হেল্থ মিসনগী মখাদা প্রাইমারি অমসুং সেকেন্দরি থাক্তা লায়েং পথাপ ফংহনগনি হায়রি।

## রাজস্থান্দা থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক্তা মীওই ১৯ শিখ্রে



***জয়পুর, জনুৱারী ৩ ঃ***
রাজস্থান্দা থোকখিবা তোঙান তোঙানবা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অনীদা নুপী ৪ অমসুং অঙাং ২ য়াওনা মীওই ১৯ শিখ্রে অদুগা ১৮ না অশোক-অপন নংখ্রে।

রাজস্থান পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সার্ভিসকী বস অমগা মায়োক্লনা নেসনেল হায়ৱে ১১ দা লাকপা ট্রক্ট অমগা থেঙজিন্নবদা মীওই ১১ শিখি অদুগা ১২ না অশোক-অপন নংখি। মীওই কয়া পুদুনা লাকখিবা বস অদুনা অতোপ্পা গারী অমদগী হেনগৎনবা হোৎনবদা মায়োক্লনা লাকপা ট্রক্ট অমগা থেঙজিন্নখিবনি হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওইশিং ফাটেপুরদা লৈবা হোস্পিটালশিংদা পুখত্তুনা লায়কন্নখি। লায়েংনবা পুখৎলকখিবা নুপী অমসুং অঙাং ১১ শিনা পুরক্লে হায়না হোস্পিটাল ওথোরিটিনা লাওথোরকখি।

লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা ৮ দি মশক মমিং খঙবা ঙল্লে। মখোয় অদুদি বর্কট অলি, মণিরাম, সিরাজুদু, নোপারাম, রাজেন্দ্র, গোপিরাম, সকিল অমসুং সুরেন্দ্রনি হায়রি।

হৌজিক হৌজিক জয়পুরদা লৈবা হোস্পিটালদা মীওই ১২ অরুবা ফিভমদা লায়কন্নরি। ষ্টেট অদুগী সিকর কলেক্টর নরেস কুমার, এস পি ভিনিট কুমার অমসুং ওফিসিয়েল কয়া মফম অদুদা চঙশিল্লক্তুনা য়েংশিনখ্রে। অতোপ্পা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদসু মীওই ৮ লৈখিদ্রে। ঙরাং নুমিদাং জয়পুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা রেনৱালদা টেম্পো অমগা লম্বী অদুদা লাকপা ট্রক্ট অমগা থেঙজিন্নবদা মীওই ৮ শিখি অদুগা ৬ না অশোক-অপন নংখি।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না অশোক-অপন নংখ্রবা মীওইশিং অদু লূহোংবগী থৌরম অমা য়াওরুরবা মতুং চোমু সহরদা হল্লকখিবনি। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদি পাপুপরিক, মহম্মদ অলি (৩৬), সরিফ (৪৫), সমাবানো (৩৫), গুলসন বানো (৫৬), ফেরোস (৩৫), রিহান (৯) অমসুং অহিল (৩) নি হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙরাং রাজস্থানগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থোকপা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক্তা মীওই ১৯ শিখ্রে অদুগা মীওই ১৮ না অশোক-অপন নংখ্রে। শোক্লবা মীওইশিং অদু রাজস্থানগী তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা লায়কন্নরি হায়রি।

## এ এ পি না মীওই অহুম রাজ্য সভাগীদমক নোমিনেট তৌখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ৩ ঃ***
আর্ম আদমী পার্টি (এ এ পি) না রাজ্য সভাগী নোমিনি ওইনা সঞ্জয় সিংহ, সুসিল গুপ্তা অমসুং এন দি গুপ্তা খনখ্রে। ৱারেপ অদু দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আর্বিন কেজিৱানগী য়ূমদা পার্টি অদুগী লোমেকর ৫৬ য়াওনা কূপ্পা খন্ন-নৈনরবা মতুং মীওই অহুম অদু রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইননবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়রি।

পার্টি অদুগী মরু ওইবা ৱারেপ লৌবা ঙম্বা পোলিটিকেল এফিয়ার্স কম্মিটিনা মীওই অহুম অদু রাজ্য সভাগী নোমিনি ওইবগী অয়াবা অথুবা মতমদা পীরক্লগনি হায়রি।

সুসিল কুমার দিল্লি অমসুং হরিয়ানাগী ইদুকেসন অমসং হেল্থ সেক্টরদা মতম শাংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখ্রবা মীওইনি। মহাক্লা অঙাং লীশিং ১৫ রোম লেম্না মহৈ তম্বগী খুদোংচাবা ফংহনখ্রবনি। অদুগা নরায়ন দাস গুপ্তা হায়রিবা মীওই অদুনা ইষ্টিট্যুট ওফ চার্টর একাউন্টেন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইনা মতম শাংনা থৌ পুরন্নবা মীওইনি হায়না দিল্লিগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়ানা ফোঙদোরক্লি।

পোলিটিকেল এফিয়ার্স কম্মিটিগী মীফম অদুদা ৱারেপ লৌবা ঙম্বা মরু ওইবা মীওই কুমার বিস্বাস মীফম অদুদা য়াওখিদে। অদুম ওইনমক মহাক খ্বাইদগী ৱাংবা কম্মিটি অদুগী মরু ওইবা মীশক অমা ওইরিবনি হায়রি।

দিল্লিগী রাজ্য সভা সিট অহুমগী মীখল চৎলিবা থা অসিগী ১৬ তা পাঙথোক্লবা শেম শারি। দিল্লি এসেমব্লিগী সিট ৭০ মীখলদা চাওনা মায় পাকখিবা এ এ পি না হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা রাজ্য সভাগী মীখল অদুদা চাওনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

রাজ্য সভাগী মীখল অদুগীদমক নোমিনেসন ফাইন তৌবগী অরোইবা মতম জনুৱারী ৫ দা ওইরি। লাক্কদৌরিবা মীখল অদুগীদমক এ এ পি মনুংদা চাওনা য়েৎনবা কয়া লাকখি। পূন্না খন্ন-নৈনরবা মতুং মীওই অহুম অদু রাজ্য সভাগী মীরেপ ওইননবা পার্টি অদুনা নোমিনেট তৌখ্রে হায়রি।

# য়ু এস কী ন্যুক্লিয়ার বটন্না নোর্থ কোরিয়াদগী হেন্না চাউই ঃ ট্রম্প



*য়ু এস কী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট কিম জোং উন*

***ৱাসিংটন, জনুৱারী ৩ ঃ***
য়ু এস কী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা চাওথোক্লা হায় নোর্থ কোরিয়াদা লৈরিবা ন্যুক্লিয়ার বটন অদুদগীদি য়ু এস তা লৈরিবা বটন অদুনা হেন্না চাউই অমসুং শক্তি হেল্লি হায়না ফোঙদোরক্লি।

কিম জোং উন্না ঙরাং লৈবাক অদুগী ন্যুক্লিয়ার বটন মহাক্কী টেবল মথক্তা লৈ হায়না অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রবা মতুং য়ু এস কী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা চাওথোকপা অমগা লোয়নদা ঙসি ৱাফম অদু ফোঙদোরকখি।

দোনাল্ড ট্রম্পনা মখা তানা হায়, ৱাথোকশিং অদু দিপ্লোমেটিক ওইবা মওংদা খন্নগদবনি। অদুম ওইনমক নোর্থ কোরিয়াগী কিম জোং উন্না অকনবা ৱাফম ফোঙদোক্লি। মহাক্লা অদুগুম্বা থৌশিল অদু পায়খৎপা অদুদা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না চরা হেনবা হায়বদুগা করম্বনা হেন্না লূম্না লৌগদৌরিবনো। নোর্থ কোরিয়াদা লৈরে হায়রিবা শক্তিশিং অদুদগীদি য়ু এস তা লৈবা শক্তি অদুনা মগুণ হেল্লি। লোয়নদা বটনশিংনা থবক তৌবা ঙম্বগী চাংসু হেনগনি হায়রি।

য়ু এস কী দিমোক্রেট জিম হিমসনা হায়, প্রসিদেন্টনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অদু মহাক্কী তৌবা ঙম্বা অদু উৎপনি। মীওই খুদিংমক্লা অহানবা প্লে গ্রাউন্দা য়ু এস না তৌবা ঙম্বা অদু খঙলবনি। মীওই অমনা থবকা ওন্থোক্তুনা ঙাইবা হায়বদু শান্নবুং অমদা অশোনবা উৎপনি হায়খি।

রিপ্লবিকেনগী হান্নগী সেক্রেটরী ওফ ষ্টেট ইলিয়ট এ কোহেন্না নৌনা ফোঙদোক্লরক্লিবা ৱাফম অদু মীশি মীনা কয়া নংহনবা য়াবা অঙাং মচা তাবা ৱাফমশিংনি। য়ু এস তা লৈরিবা ন্যুক্লিয়ারশিং অদু শেংনা হায়রবদি অসিগুম্বা ৱাফম অসিদা ফোঙদোক্কদবা নত্তে। কদায় ফাওবা দাইত্য লৈবগে হায়বদু য়েংগদবনি। নৎত্রগা মহাকপু কয়া য়াম্না শৌগৎলক্লিবগে হায়বদুসু খনগদবনি হায়খি।

কোহেন্না হায়, মহাক্কী মচানুপীনা নোর্থ কোরিয়াগা ন্যুক্লিয়ার লাল শোক্লবদা অকিবা ফাওদে। ইনখৎলক্লিবী মচানুপী অদুগী পূক্নীংদা দোনাল্ড ট্রম্পনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুনা মথৌ শংখ্রে। অদুম ওইনমক ফিভম অদু খ্বাইদগী হেন্না খুদোংথিনিঙাই ওইবা অমনি হায়খি।

নাকল অমরোমদা দোনাল্ড ট্রম্পনা মহাক্লা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদু শৌগৎলদুনা হায়, অমেরিকানা তৌবা ঙম্মী হায়রিবদু অচুম্বা অমনি। অমেরিকানা মখোয়গী থৌনা অমসুং তৌবা ঙম্বা অদু উৎপা য়াই হায়খি।

য়ু এস কী প্রসিদেন্টনা ন্যুক্লিয়ারগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখ্রে। তশেংনা হায়রবদা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই অমা কাপ্পা হায়বদু বটন অমখক নম্বনা ওইথোকপা য়াবা নত্তে। ফিভম অদু য়েংলগা কূপ্না খন্নরবা মতুং প্রসিদেন্টকী ৱাফম অদু হোংদোকপা চুমগনি হায়খি।

## ইথোপিয়াগী পোলিটিকেল প্রিজনরশিং থাদোক্লগনি ঃ *প্রাইম মিনিষ্টর*

***অদ্দিস অবাবা, জনুৱারী ৩ ঃ***
ইথোপিয়াগী পোলিটিকেল প্রিজনর অমসুং মশানা মরাল য়াজরবা লমহেন তুহেনবশিং থাদোক্লগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা লাওথোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর হেলেমারিয়ম দেসালেন্দনা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবদা ট্রাইয়েল চথনবা মতম ঙাইরিবা মীওই কয়া লৈরি। পোলিটিকেল দাইলোগ চথবা য়াননবা পায়খৎপা থৌশিল অমা ওইনা পোলিটিকেল প্রিজনরশিং অদু থাদোক্কদবনি হায়রি।

মমাঙদদি লৈঙাক্লা মীওইশিং অদুবু ক্রিমিনেল অমনি হায়না মরাল শিখিবনি। অদুম ওইনমক অহানবা ওইনা পোলিটিকেল প্রিজনরশিং অদু থাদোক্লবা ৱারেপ লৌরকখিবনি হায়রি।

হ্যুমেন রাইটস ৱাটচ (ঐচ আর দব্লিউ) না লৈঙাক অদুবু এন্টি টেরোরিজমগী লোগী মখাদা ক্রিটিক কয়া ফাজিন্দুনা থল্লে হায়না খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি। হৌজিক মীওই কয়া পোলিটিকেল প্রিজনর অমা ওইনা ফাজিন্দুনা থল্লিবগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক ইং ২০১৫ দগী লৈবাক অদুদা রাজনিটিগী ওইবা অমসুং শেল থুমগী ফিভম শেমদোক্লবা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপা লৈখি।

নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মীওই ১৯ টেরোরিজমগা মরী লৈনৈ হায়না ফাজিনখিবসু লৈখ্রবনি। য়ূমশকৈশা নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টরনা থাদোক্লগনি হায়না লাওথোকখিবা মীওইশিং অদু লৈবাক অদুগী কোনুং এদ্দিস অবাবাগী জেলদা লৈবা মীওই কয়া য়াওরি। মীওইশিং অদু আইন কাইবা মওংদা হৌখিবা চহী ইং ২০১৩ দা অকনবা মওংদা ৱাহং পাউহং চথখ্রবশিং য়াওরি হায়রি।

লৈঙাক্কী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লকপগীদমক মীওই লীশিং কয়া ফাজিন্দুনা থমখ্রবনি হায়রি।

## লৈচিল থাবনা মরম ওইরগা ট্রেন কয়া মতম থেঙথনা খোঙশানখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ৩ ঃ***
কা হেন্না লৈচিল থাবনা মরম ওইরগা ট্রেন কয়া মতম চাদনা খোঙশানখি। মদুতা নত্তনা এরোপ্লেন কয়াসু মতম থেঙথনা পাইখি হায়না রেলৱে মিনিষ্টর পিয়ুস গোয়েলনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ট্রেন কয়া লৈচিল থাবনা মরম ওইরগা মতম থেঙথনা চৎখিবা অমসুং কেন্সেল তৌখিবগী চাং অদু ফ্লাইট সার্ভিসকী মথংদা লৈরি। গোয়েলনা হায়, ট্রেন তোংদুনা চৎলিবা মীওইশিংগী অপাম্বা মতুং ইন্না ভরা শেমদোক শেমজিন তৌবগী থবক চথখি। লোয়নদা খ্বাইদগী ফবা মওংদা মীয়ামগী খুদোংচাবা থবক পায়খৎখি।

মিনিষ্টরনা হায়, মীয়াম্না চখোক চৎশিন তৌবগী খ্বাইদগী শাফবা হীরম অদু রেলৱেজনা ওইরি। মরম অদুনা রেলৱেগী ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেম ফগৎহন্নবা মীৎয়েং থল্লি। লৈবাক অসিনা নীংখা তমখিবা মতুংদা লৈখিবা সিষ্টেম অদু হৌজিকসু চৎনদুনা লৈরি।

রেলৱেজদা অহেনবা শেলফম থাদদুনা থেঙনরিবা খুদোংচাদবশিং লাকশিন্নবা হোৎনরি। হৌখিবা চহী অহুমদা অকনবা মীৎয়েং থমদুনা ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেম অদু ফগৎহন্নবা হোৎনরি। চহী অসিগী ওইনা লুপা ক্রোর ১,২০,০০০ থাদনবা হোৎনরি। লৈঙাক অসিগী মীৎয়েংদি ইং ২০২২ ফাওবদা ইন্দিয়ান রেলৱে অসি অনৌবা মায়োল অমদা পুরকপা হায়বসিনি।

রেল তোংদুনা চৎলিবা মীওইশিংগী ভরা য়েংশিন্নবা কম্মিটি অমদা শিন্নখ্রে। লোয়নদা লম অদুদগী কারক্কদবা শেলফমশিংসু চপ চানা খঙদোক্লবা অয়াবা পীখ্রে। মীয়াম্না রেলৱেজবু মখোয়গী খ্বাইদগী ফবা চখোক চৎশিনগী পাম্বৈ অমা ওইনা খলহন্নবা থৌশিল পায়খৎলি। থৌশিল অদুগী শরুক অমা ওইনা ভরা লৌবগী চাংসু য়েংশিনগনি হায়রি।



| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 5 | 3 | 9 | 2 | 6 | 4 | 1 | 8 |
| 9 | 1 | 2 | 8 | 7 | 4 | 6 | 3 | 5 |
| 4 | 6 | 8 | 1 | 3 | 5 | 9 | 2 | 7 |
| 6 | 8 | 5 | 3 | 4 | 2 | 1 | 7 | 9 |
| 3 | 7 | 4 | 6 | 9 | 1 | 5 | 8 | 2 |
| 1 | 2 | 9 | 7 | 5 | 8 | 3 | 6 | 4 |
| 5 | 4 | 7 | 2 | 6 | 3 | 8 | 9 | 1 |
| 8 | 9 | 6 | 5 | 1 | 7 | 2 | 4 | 3 |
| 2 | 3 | 1 | 4 | 8 | 9 | 7 | 5 | 6 |



*চহী অসিগী অহানবা ওইনা শিল্লোংদা নোং চুখ্রে। খ্বাইদগী হেন্না ঈংবগী ফিভম অমা মায়োক্লখিবগা লোয়নদা অকনবা লেন তাখ্রে। শিল্লোংগী লম্বী শরুক কয়াদা অঙৌবা লেনশিংনা কুপশিনখিবগী শক্তম। স্কাই মেটকী মতুং ইন্না অৱাং নোংপোক্কী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট তরেৎতা পারপ নোং চুখি হায়না ফোঙদোরক্লি*

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 10/10/17
Valid : 08/10/17
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Maibia Gas**
Booking : 23/10/17
Sl. No. 2930
Valid : 18/10/17
Sl. No. 1821
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 26/10/17
Valid : 12/10/17
Stk : 612 CTC
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Imphal LPG**
Booking : 10/11/17
Valid : 11/10/17
Sl. No. 26470
Stk : 400
Delivery Heinoupok Godown

**Yairipok Gas Service**
Booking : 27/10/17
Valid : 18/10/17
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Lamsang Gas**
Booking : 26/10/17
Valid : 19/10/17
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Misao Gas**
Booking : 24/10/17
Valid : 11/10/17
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Athokpam Indane**
Booking : 25/10/17
Valid : 18/10/17
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Hiyanglam Indane**
Booking : 14/11/17
Valid : 07/11/17
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m
Rate : Rs. 869/-

**Khumbong Indane**
Booking : 15/11/17
Valid : 12/11/17
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Khoriphaba Gas Nambol**
Booking : 18/11/17
Valid : 16/11/17
Sl. No. 1846
Stk : 306 CTC
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**BD Gas, Chandel**
Booking : 18/11/17
Valid : 07/10/17
Stk : 306
Time : 10.00 to 01.00 p.m

**GBD Gas**
Booking : 25/10/17
Valid : 15/10/17
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Mahalashmi Indane**
Booking : 30/10/17
Valid : 12/10/17
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Khongnang Gas, Ningthoukhong**
Booking : 11/10/17
Valid : 09/10/17
Stk : 306
Sl. No. 1149
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Kangleipak Gas Agency**
Delivery every day
no booking required
New connection available

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1043**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 9 | | 7 | | | 8 | 4 |
| | 7 | 6 | 8 | | 9 | | | |
| | | | | | 3 | | | 2 |
| | 1 | | | 3 | | | | |
| | 2 | | 4 | | | | | |
| | | | 9 | 2 | | | 6 | |
| | | 7 | 6 | 5 | 4 | | 3 | |
| | 5 | | | | 1 | | | |
| | | | | | 2 | | 9 | |